# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-10-2023)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১০-১০-২০২৩,লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল নিংথৌখোংজম সুনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা হায়রি- পুলিসতগী লৌখিবা খুৎলায় পুমমক লৌখৎত্রিবা ফাওবা রাজ্য অসিদা লেপ্তুনা ওপরেসন চখ্খিগনি।

২) মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড মেন্তেল হেলথ দে থৌরম পাঙথোক্কনি।

**অমসুং**

৩) হলেক্সন কম্মীসননা মীজোরাম ,ছাতিসগর, মধ্য প্রদেশ, রাজস্তান অমসুং তেলঙ্গানাগী রাজ্য বিদান সভাগী মীখলগী মতম লেপখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**কুলদিপ(এল)ঃ** রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা হায়রি-পুলিসতগী লৌখিবা খুৎলায় পুমমক লৌখৎত্রিবা ফাওবা রাজ্য অসিদা লেপ্তুনা ওপরেসন চথখিগনি। চুরাচান্দপুর , থৌবাল, ককচিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম কয়াদা ঙরাংদগী থিবা হুন্বগী থবক চথবা হৌখ্রে।

চথখিবা ওপরেসন অদুদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলাইশিং অদু পুলিস ষ্টেসনশিংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। নিংশিংবা য়াই রাজ্য অসিগী ইরাং মনুংদা পুলিস ষ্টেসনশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া লৌখিবা অদু নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীখৎলকবা মুখ্য মন্ত্রিনা নোংথোম্বম বিরেননা খঙহনখিবা মতুংদা খোংথাং অসি লৌখৎলকপনি। পুলিসতগী লৌখিবা অপুনবা নোংমৈ মশিং অসি পুন্না লিশিং ৫,৬৬৯ নি। মসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা লিশিং ১,৩৫০ রোম লৌখৎপা ঙমখ্রে। হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা সি.এ.পি.এফকী বত্তালিয়ন ২০০, ইন্দিয়না আর্ম্মি অমসুং অসাম রাইফলসকী কলম ১৬২, দিপ্লোই তৌরি হায়নসু সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা হায়রি।

মেন্তেল(এল)ঃ মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড মেন্তেল হেলথ দে থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি রাজ্যগী নেসনেল মেন্তেল হেলথ প্রোগ্রাম ,নেসনেল হেলথ মীসন অমসুং দাইরেক্তোরেট লফ হেলথ সার্ভিসেসনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ক্লাসিক হোতেলদা ঙসি অযুক পাঙথোক্কনি। মেন্তেল হেলথ ইস এ য়ুনিভার্সেল রাইটস হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডা: সাপম রাঞ্জন শরুক য়াগদৌরি। থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ওফিসিয়েল কয়াসু য়াওগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা কোন্থৌজম মখা খাবম হায়স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ইন্দিয়ান সাইক্রেত্রিক সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড মেন্তেল হেলথ দে থৌরম পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী থাক্তা মেন্তেল হেলথ প্রোমোসন পোস্তর কম্পীতিসন পাঙথোক্কনি লোয়ননা রিলিফ মেতিরিয়েলশিং য়েন্থোক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংবু পুকিং থৌগৎকনি।

**চন্দেল(এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী চকপিকারোং ব্লোক্তা চয়োল অমা চুপা চত্থরকপা সংক্লপ সপ্তা কেম্পেইন ঙরাং লোইশিনখ্রে।ঙরাং লোইশিনবগী থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরনা কেম্পেইন অসি মায় পাকা চত্থখি হায়না ফোংদোকখি। চকপিকারোং ব্লোক্কী ব্লোক লেবেল ওফিসর অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টাফশিংগী রিব্যু মিতিং অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর ময়াংলম্বম রাজকুমারনা হায়- কেম্পেইন অসিগী মনুংদা হেলথ মেলা, দিবেট অমদি পেন্তিং কম্পীতিসন, ফাইনান্সিয়েল লিতরেসি কেম্পেইনচিংবা থৌরাং কয়া পায়খৎখি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**-তারিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি-**

**মীখলঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা মীজোরাম ,ছাতিসগর, মধ্য প্রদেশ, রাজস্তান

অমসুং তেলঙ্গানাগী রাজ্য বিদান সভাগী মীখলগী মতম লেপখ্রে। রাজ্য ৫ অসিদা মথং থাগী ৭ তগী ৩০ ফাওবা মীখল পাঙথোক্লগনি। ভোট মশিং দিসেম্বরগী ৩ দা থিগনি।

মীজোরমদা মথং থাগী ৭ তা মীখল পাঙথোক্কনি। মীখলগী নোতিফিকেসনশিং থা অসিগী ১৩ থোক্কনি। ছাতিসগরগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি, মথং থাগী ৭ অমসুং ১৭ তা ভোট থাদগনি। নোতিফিকেসননা থা অসিগী ১৩ অমসুং ২১ দা থোক্কনি। মধ্য প্রদেশতা মথং থাগী ১৭ তা ভোট থাদনগনি। থা অসিগী ২১ দা মীখলগী নোতিফিকেসন থোক্কনি। রাজস্তান বিধান সভা মীখল নবেম্বর ২৩ দা পাঙথোক্কনি । মীখলগী নোতিফিকেসন থা অসিগী ৩০ দা থোক্কনি।তলঙ্গানাগীনা নবেম্বর ৩০ দা মীখল পাঙথোক্কনি অমদি নোতিফিকেসননা মথং থাগী ৩ দা থোক্কনি। রাজ্য ৫ অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৭৯ দা ভোত্তর কোতি ১৬ রোম লৈরি। মসিগী মনুংদা লাখ ৬০ অমদি অনৌবা ভোত্তরশিংনি।

**ৱারঃ** ইজরেল অমসুং হমাসকী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মীওই লিশিং ১,১০০ হেন্না লৈখিদ্রে অমদি গাজা স্ত্রিপতা মীওই লাখ ১ লিশিং ২৩ হেন্না লাঞ্জেন্নরি। য়ুনাইতেদ নেসননা হায়- হৌজিক মফম অদুগী মীওই লিশিং ৭৩ হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। ইজরেলবু শৌগৎপা ওইনা আমেরিকানা ফাইতর জেট অমসুং ৱার সিফশিং পীখ্রে। ইরাং অসি হামাসনা হৌখিবা থাংজা নুমিত্তা রোকেট কাপশিন্দুনা লান্দাবদগী হৌরকখিবনি। ইরাং অসি তোকবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা আপিল তৌনরক্লি।

**ইনর্জি(এল)ঃ** কেন্দ্রগী পেট্রোলিয়ম মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়রি- ইজরেল অমসুং পেলিস্তানগী মরক্তা উনখৎনরিবা অসিনা ভারত্তা ইনর্জিগী লমদা চৈথেং পীবা ঙল্লোই।ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ২৬ শুবা ইনর্জি তোকোলোজি মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী পুরিনা হায়- সরকারনা ফীভম অসি কুপা য়েংশিল্লি। মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিনা ইনর্জিগী লমদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। লৈবাক অসিনা রিন্যুএবল ইনর্জি হেন্না শিজিন্নবা হোৎনরি। নুমিৎ হুমনি চথুগদবা মীফম অসিগী থিমদি -ইমরজিং ইনর্জি ট্রেন্স এন্দ ফিউচর ওফ রিফাইন্নিং হায়বসিনি।

**আফগান ঃ** অফগানিস্তানদা অকনবা য়ুহার হাখিবা অদুদা শিখিবা মীগী মশিং লিশিং ২,৪০০ হেনখ্রে। চহি ২০ গী মনুংদা থোকখিবা য়ুহার হাবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মীশি মীনা অমদি অমাং অতা থোকখিবশিংগী মনুংদা অমনি। মখা তানা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথুরি।

যু.এন. ওফিস ফোর কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিতরিয়ান এফ্যারসকী মতুংইন্না য়ুহার অসিনা য়ুম ৪৬৫ হেন্না তুমা মাংহনখ্রে অমদি য়ুম ১৩৫ হেনবনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা হাখিবা য়ুহার অসিগী ইপিসেন্তর হেরাত্তগী কিলোমিতর ৪০ চৎলগা লৈবা মফমদা ওইখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা হায়রি- পুলিসতগী লৌখিবা খুৎলায় পুমমক লৌখৎত্রিবা ফাওবা রাজ্য অসিদা লেপ্তুনা ওপরেসন চথখিগনি।

২) মালেমগী মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড মেন্তেল হেলথ দে থৌরম পাঙথোক্কনি।

**অমসুং**

৩) ইলেক্সন কম্মীসননা মীজোরাম ,ছাতিসগর, মধ্য পদেশ, রাজস্তান অমসুং তেলঙ্গানাগী রাজ্য বিদান সভাগী মীখলগী মতম লেপখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি- সুনি

মনিপুর পুলিসতগী লৌখিবা নোংমৈশিং লৌখৎনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা ওপরেসন চথুবা হৌখিবগী পাউ অসি ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচে খুদিংমক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইনা - ঙরাংদগী পাত্তকনা ওপরেসন চথুবা হৌরে-হায়না ফোংলি। মীয়াম মরক্তা খুৎলাই লৈহৌবসি খুন্নাইদা অফবা ওইরোই হায়না সেক্যুরিতি এদভাইজরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনা সব হেদ তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউশিং- সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল, ইচেল এক্সপ্রেস, হুইয়েন লানপাউ অমসুং নহারোলগী থৌদাং হায়রিবা পাউচেশিং অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনখি।

নহারোল থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইনদা - মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি মমাংগী সরকারনা ঙমখৈগী শম্বল খাদবা, মীতোপ খন্দোক হৌদবদগীনি, মনিপুর থুগাইনবা হোৎনরিবা কুকি এম.এল.এ ১০ গী মথক্তা পি.আই.এল থারগনি হায়না মনিপুর দিমোক্রেতিক এলাইন্সকী চিরমেন বিজয় কোইজমা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউচে অসিগী অনিশুবা হেলাইনদা জে.এন.কেদগী ১৯ শুবা এ.আরদা থারকপা গ্রাম ৮০০ হেনবগী পোপি মরুশিং ফারে হায়বা পাউ অসি ফংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা অহানবা হেলাইন তৌরি।

হেলাইন অদুদি - নার্কো তেরোরিস্তশিং শৌগৎলে হায়দুনা মরাল শীবিরক্লিবা অসাম রাইফলস ইম্ফাল হেদ পোস্ত ওফিসতা খুদি থিরব হায়না ৱাহং তৌবা হেলাইন অসিনি। হেদলাইন অসিগী মনুংদা অঙাংবা মচুগী ময়েকা হায়লাইট তৌদুনা সব হেদ অমসু পীরি- সব হেদ অদুদা হায়রিবসি - নোনে দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ১৯ শুবা অসাম রাইফলসকী হেদ ক্বাতরগী কম্পানিগী মীওই অমদা জম্মু কাস্মীরদগী থারকখিবা পোপি মরু কিলো ১রোম পোস্ত ওফিসতা ফারে হায়বা ৱাফম অসিনি। পোপি মরু ফাবগী পাউ অসি ইচেল এক্সপ্রেস, সনা লৈবাক্তসু তোঙান তোঙানবা হেলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকেলগী অহানবা হেদলাইনদা - মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা মপানগী পাউচে অমনা লৌখিবা ইন্তরব্যিুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমসু ঙসি ফোংবা পাউচে খরাদা মরুওইবা পাউ ওইনা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি। পোকফম পাউচেদা - মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম -মৈতৈ কুকিগী মরক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং চংবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম অসি অনি শুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলদসু তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মৈতৈ কুকি ৱারি শান্নদুনা তংদু লৈতাদবা হঞ্জিলহনগনি-হোম মিনিস্তরনা মতম পুমমক্তা পুকিং থৌগৎপিরি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনা সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পিপল ক্রোনিকেলগী অখন্নবা পাউ অমদা -ওককী মমল হন্থরকপা অসিনা স্বাইন ফ্লু শন্দোরক্লব্র হায়বগী ৱাহং লাক্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

খুল ঙাকপা চৎলুবা খুঞ্জা অমা স্ক্রুপ তাইফসনি চীংনবা তিননা চিকপদগী লৈখিদ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা হুইয়েন লানপাউদা ফোংলি।পাউ অসি পাউচে খরদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্বিল এক্সপ্রেসতা - সেনাপতিদা মৈ চাকপদগী থৌদোক্তা লুপা লাখ কয়াগী লান্থুম অমাং অতা নংখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।
গানফিউ মেদলা- ইজরেলদা পন্দুনা লৈরি ভারত মচা লিশিং ১৮ লৈবাক অসিদা হল্লকপা পাল্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা - হরবার্ট য়ুনিভার্সিতি ক্লোদিয়া গোলদিননা চহি অসিগী নোবল ইকোনোমিক্স ফংখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--- সুনি---**